# ‘মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবা কনাগীসু মতিক নত্তে’

- উশম ধরমেন্দ্র -

মমা লৈবাকপু য়োম্বোল্লগা চাবা ঙম্বা, শ্বাইদা ঈরাং তৌগে তৌজৌ, মণিপুরগী লম মাঙগে মাঙজৌ ঐ অমসুং ঐগী ইমুং মনুং নুংঙাইরগা লোইরে, মণিপুর মৈ হৌনা চাক্লল্লগনা মপান লমদা নুংঙাইনা লৈথোল্লগা লোইরে খনবা মণিপুরী মীতৈগা য়াওরমগদরা, শাগৈগী মৈতাল অশিবা। য়াওরমগনি থাজদে য়াওরমদবসু ওইসনু। মীতৈ ঐখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা ইমা লৈবাক মণিপুরনি। লুতুং শল্লাং শাংনা খাকপা লাইওইখ্রবা মীতৈ ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুনা য়েক্লবা কয়ানা হুইয়েন লানশিংনরকপবু থৌনা ফনা মায়রোং য়াদুনা ইরমদম অসিগী নীংতম্বা কল্লকখিবনি। মখূৎতা পায়বা থাঙশাংতনা, মশাদা শাগোন্নবা অরাম্বাই তেন্দোংতনা য়েক্লবশিংবু মায়থীবা পীদুনা শাগৎলকখিবা শাংলবা চহী লিশীং অহুম হেনবগী সিবিলাইজেসননি। মীতৈ নিংথৌশিংনা চীংদা খুন্দাবা মীওইশিং তমদা খুন্দাবশিং অমত্তা ওইনা লৈমিন্নদুনা শাগৎলকখিবা মণিপুরগী পুৱারীনি। অসিগুম্বা মরা চেৎশিনখ্রবা মণিপুরগী অমত্তা ওইবগী কল্লবা লিপুন অসিবু মণিপুরদা শৈদাংলকপা কুইদ্রিবা ঙসি ঙসিমকসু হুরান লান্নাদা চঙশিল্লকপা লেপত্রিবা কুকি-জো কাঙলূপকী মীওইশিংনা মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরি।

মণিপুর মচেৎ তানা কায়নবা নমদুনা থোকহনবা, মরাল করিসু লৈজদবা মীতৈশিংদা ওনশিনবা, মীতৈশিংগী য়ূম কৈ মৈ থাদোকপীবা, মীতৈশিংবু তমথীনা হাৎতোকপীবা কুকিশিং, নার্কো টেররিষ্টশিংনা হৌবা লান মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌরকখিবা লান ঙসিসু মখা চত্থরি। মীওই লিশীং ৬০গী মথক্তা লাঞ্জেন্নরে। অৱাবা নংলে করি করম্বা মতমদা মখোয়গী হান্না লৈরম্বা মফমশিংদা হনবা ফংগনি তম্বা ঙমদ্রে। মীওই কয়ামা অশোক অপন নংলে। মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বদুসু তাংদাংবা রিপোর্ট ফংদে, অৱাবনি। ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা মীতৈশিংনি ঙসিদি থাজদবা মওংদা অৱাবা নংলে।

মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়দনবা হোৎনদুনতা লাকখিবা মীতৈশিংনি। পুক ফবগী শরুক থুংদে হায়বদুনি। চীংদনা মীতৈনা খুন্দাবা য়াদবা, তমদনা চীংগী মীশিংনা খুন্দাবা লৈবা য়াবা য়ুনিফোর্ম লেন্দ লো অমা লৈতবনা তম্পাক্তা কাঙলূপ শুনবা খুন্দাবনা খোঙদাফম লৈশিল্লক্তরে। ঙসিগী মীরোলনা নহাশিংনা য়াম্না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইত্রিবদি মীতৈশিংগী ইপা ইপুশিংনা থোনবীরম্বা লম কয়া তোঙান তোঙানবা ত্রাইবশিংনা মখোয় মখোয়না লৈরিবা মফমশিংদুবু মখোয়গী মরোলদা মমিং থোনজিনবসিনি। অসুম্না উনা উনা মীতৈশিংগী মীৎমাংদগী মীতৈশিংগী লম কয়া মাঙখি। মীতৈশিংনা খুন্দারম্মী হায়বগী শক্তম মমি মচেৎ অমত্তা ফাওবা হেক লৈহৌদে। মীতৈশিংনা পূন্না নুংশি চান্ননা পূন্নমকপু মচিল মনাও ওইনা হিংনবা হোৎনবা কনা কনাগুম্বা ফুরুপশিংনা মণিপুর মচেৎ তানবা হোৎনবা মসিনি ঐখোয়না উদুনা লাক্লিবসি। ঙসিদি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা পোপী পাম্বী থাগে য়াদে, রিজার্ভ অমদি প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা খুন্দাশিনগে য়াদে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্তা লৈবা অশাউবদু মীতৈ ফুরুপ্তা অতম্নানা তাইনরকপনি।

হন্দক্কী লান অসিদা করিসু লাঞ্জদবা, অৱাবসু কোঙ্গাই নংলিবা মশাগী মরমদা রিফ্যুজি ওইরবা মীতৈশিংনি। নাকল অমরোমদা মখল কয়াগী চারোল খারোন হৈবা কুকিশিংনা নেসনল মীদিয়াশিংদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মীতৈশিংবু য়াম্না লান্না উহনবা হন্দক্কী কুকি অমদি মীতৈ অনীগী লান অসিদা উরিবা তোপ তোপ্পা প্রোপেগন্দাগী শক্তম অমা ওইরি। অদুবু মীতৈগী মশক নাইবা লিদরশিংনা তপ্না তপ্না শেংদোরকখি। নাকল অমরোমদা খন্থহৌবা হায়গদরা লৌতুনবা হায়গদরা মে ৪, ২০২৩দা থোকখিবা থৌদোক অমা ভাইরেল ওইখিদুনা মীতৈ ফুরুপ অসিগী মীংচৎতি ফনা ফজনা থীহল্লি। নাকল অমরোমদা মীতৈশিংবু তমথীনা ওৎ নৈবীদুনা হাৎতোকপীবগী ভিদিও ক্লিপ কয়াসু মতমগী মতুংইন্না অপলোদ তৌনরকপা য়ারি।

হৌজিক মীতৈশিংগী মাঙদা তারিবা থৌদাংদি ঐখোয় পূন্নমকসি অপূনবা এপেক্স বোদি অমগী মখাদা থবক তৌবা অসিনি। তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা তৌনীং তৌনীংবা তৌবগী মহুত্তা অপূনবা লূপ অমগী লীচিং মখাদা পোলিসি প্রোগ্রাম ফজনা য়াৎলগা থবক তৌবা মথৌ তাই। মীতৈ ঐখোয় পূন্নমক ইমা লৈবাক ইরমদমসি ঙম্নমক নুংশিরিবনি। মদুমক্লনি ঐ ঐনা ঙমজবী থাক্তা ইশাগী ইথৌদাং পাঙথোক্লরিবসি। অদুবু অমনা হায়বা ৱা অমনা তাবা ৱাৎলি। মীতৈ ঐখোয় লীংজেল মান্নবগী লীপুন অমনা পুনশিনবগী মথৌ তাই। অমনা হায়বা অমনা তাবা তাই। ঐখোয়গী ফীভমসি অদুমক লুরি। নাকল অমরোমদা নার্কো কুকি-জো টেররিষ্টশিংগীদি ঈরাং অসি য়ারিবমখৈ থোকহনবা, মণিপুরদা কুকিশিংগী লৈঙাক অমা পীদ্রবদি ঈরাং নেম্লরোই হায়দুনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা জষ্টিফিকেসন পীবা ঙাইবা অসিনি। মণিপুরগুম্বা মমাঙথক্তা হায়বদি পুৱারীগী পরিংদা ইন্দিয়াগী শরুক অমা শুকওই ওইরমদবা মরী শম্নরক্তবা মফম অমদা মচেৎ থোক্লা থুগাইবদা সেন্টরগী চাওর-চাওরবা লুচিংবশিংদদি করিসু অৱাবা নুংঙাইতবা পোক্লোই। অদুবু মণিপুরনা মচেৎ তাখিবদদি মীতৈশিংগী থম্মোয়দদি খাংঙমদবা চৈনা ফাওগনি। মফম খুদিং মৈ হৌনা চাক্কনি।

মরকসিদা মথৌ শুংলৈ লৈতনা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙ্গানা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু হুন্দুনা ঙাঙলকপসিনি। মিজোরামগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা ৱার্নিং তৌরকপগী মতুংইন্না মিজোরামদগী মীতৈশিং শাফগদবা মফমদা চেন্থোক্লরক্লে। মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরমক য়াওনা চৎখিবা মখোয়গী সোলিদরিটি রেল্লিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী মায়োক্তা অকাম্পেৎ ঙাঙখি, অকাম্পেৎ ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি। মসিবু করিগীনো? অটসুমগী মায়খুম উপ্লগা চৎখিবা ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ, মে ৩দুদসু নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু চৈ থাংখি। উৎহৈদবা ব্যবহার উৎখি। মখোয়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা অসুক্কী মতিক শাউনীংলিবসি করিগীনো? পোপী পাম্বী চীংমাইশিংদা থাদুনা দ্রগ শুংলগা মীতৈ মীয়ামশিং দ্রগ এদ্দিক্ট ওইদুনা শিরুম নারুম তৌহন্দুনা লৈহনগে য়াদবগীরা? ষ্টেট অমগী লৈজরিবা রিজার্ভ ফোরেষ্ট, প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট হায়রিবা উয়োক মফমশিং কোকথোক্তুনা খুন্দা লৈতাশিনগে হায়বা য়াদবগীরা হায়বা ৱাহং কয়া থোরল্লি। পাউখুমসু অদুমক ফংই। অমুকসু হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে হায়বদা মাদুনা য়েংই হায়বগুম নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স শেমদুনা চৎনহল্লগনি হায়বদা মশানা ঙরাং নহান্তা হুরান লোন্নাদা চঙলকপশিংদি মশানা অদুমক শাউফম থোক্লে। নমদুনা তংদু লৈতাদবা এনার্কি অমা থোকহনবা পান্লে হায়বসি মশানা তাকচরে।

নাকল অমরোমদা, নার্কো কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীয়ামদা ওনশিন্দুনা লান দাশিল্লকইবা অসিদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুনদ্রিবঁগে নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরিঙৈ মতম ওইরবদি লৈজরিবা লৈবাক্কী ফোর্সশিং, লান্মীশিং শীজিন্নদুনা নহান্না নমথরল্লনি। চয়োল ফারোই। লান খাম্বা লাক্লিবরা, কাঙলূপ অমদা লান পাংবা লাক্লিবরা মথোং খঙদবা সেন্ট্রেল ফোর্স খরনা চগৌ য়েংদুনা অসুম লৈবদগী লালসি অসুম চত্থদুনা নার্কো কুকি-জে াশিংনা মীতৈশিংদা এটেক তৌনীংবা মতমদা তৌদুনা লৈরে। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) চৎনরিবনি হায়রগা নীংথিনসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা য়েংশিনবা ঙমদে। হুই অঙাওবা লম্বী সরক্তা থাদোকপগা পাংখক ওইরে। মখোয়না তৌনীং তৌনীংবতা তৌরে। হুই ঙাওরবদি হুইবু থিবা তাবনি। মীয়ামগী মীচৈ তাবা তাবনি। নাকল অমরোমদা হন্দক্কী ঈরাংসিবু খৃষ্টিয়ানশিংগী চর্চশিংদা অতম্নমা মীতৈশিংনা লান্দাশিনবগী ৱাফম ওইনা পুথোরকপা য়াম্না নোক্লিংবা ৱানি। মীতৈশিংগী শেংলবা লাইশঙশিং মৈ থাবতা নত্তনা উমংলাইগী কোমাইশিং তিন শিৎচিনবা, খোঙপাক্লা কাওবা মদু করিনো। য়াম্না চাওখৎতবা ফি শেৎতবা মীওইশিংনা তৌগদবা থবকনি।

লোইশিল্লকপদা, মীতৈশিং অমদি অতৈ ফুরুপকী মীওই লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইদুনা চাওরবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা হৌখিবা থাংজ নুমিৎ, জুলাই ২৯দা ইম্ফালদা কোকোমিগী লমজিং মখাদা চৎখ্রে। মীয়ামগী অচেৎপা ৱারেপ লৌমিন্নখ্রে। চত্থরিবা লান লোইশিন্নবা মীরমদগী চঙলকপা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং মূখৎপা, তকথোকপা, মণিপুর মনুংদা তোঙানবা লৈঙাক লিংবা য়ারোই, মণিপুরদা এন আর সী মপূং ফানা চৎনহনগদবনি, ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা এসেমল্লিগী অখন্নবা মীফম ফমদুনা মণিপুর কন্নবা ৱারেপ লৌগদবনি, মীয়ামগী ৱারেপ তকশিনবা মেমোরেন্দম য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা পীশিনবা হায়নসু য়ান্নখি। পূন্নমকসিনা উৎলে মণিপুর মীয়াম্না অপূনবা মণিপুর করিগুম্বা মওং অমদা মচেৎ তানা কায়হনবা ঙম্লোই। মণিপুরবু কায়হন্নবা হোৎনবা কনাগীসু মতিক নত্তে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# লান অসিগা মরী লৈননা ময়ায় য়ূম্ফম খুমন কংলৈ অপূনবা ইতিনফমনা পাঙথোকখিবা মীফমগী পাউদম

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মমাঙ থাগী ৩০, ২০২৩, থৱানগী ১২নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ময়াং ইম্ফাল চরোইবুং কবুই খুলগী মমাঙদা লৈবা ময়াং ইম্ফাল খুলগী ওইনা থম্বা লম্পাক অসিদা নুপা নুপী পূন্না মীওই লিশীং কয়াগী পানা ফম্বে অমা পাঙথোকখি। ময়াং ইম্ফাল খক নত্তনা নম্বোল পানা, মাইবম পানা, ককচীং পানা তোঙান তোঙানবা ইমা ইবেল, ইচে ইচলশিংনা মাগী মাগী লৈকায় খুঙ্গং কয়ানা অপূনবা শক্তম শাগৎচবা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক্তা শরুক য়াদুনতা লাক্লবী নুপা ওইবশিংগী সেবা চাকথোঙ ফৌশুবা, ফিশু ফিজাম্বা, মপুরোইবশিংবু পোপু লাংগোল লেংধৌ নাদুনা লৌবুক মায়কৈ পাংবদা য়োৎপাক লেংধৌ নাদুনা তুংইনজরম্বী ইমাশিং চীংজিল পান্থা মতমদা খুলং চৎনদুনা ঙমলৌ ঙমতান্নরম্বী পূন্নমক তুং ওইনরল্লগা ইরৈবাক ইরমদমগী খাম্বী মৈহৌরিবা মৈকন্নবা কোক্তা কোকশেৎ, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ শেৎলগা খূৎতা মৈরা পায়দুনা পারি কনগে থোরক্লে, লনগৈ ঙাক্লে চোংথোরক্লে। মায়কিনা শিনবা পানা ফম্বে অসিদা ইপুধৌ খুমন পোকপগী লাইবুংদগী শরুক য়ারিবা খুদিংমক্লা মৈরা লৌদুনা লাক্লগা ময়াং ইম্ফাল অপূনবা লম্পাক পানা ফম্বেদা লাকপীখিবা পূন্নমক্লা শরুক য়াবীখি।

অহানবা য়ৌরকপা মৈরাশিং ফিরাল মখোঙদা য়ুংদুনা থমখি। মীওই লিশীং কয়ানা খুমন নিংথৌ লাইফমদগী খূৎতা মৈরা পায়দুনা শাংলবা কোঞ্চাক মমাং লৈকায়দগী কোঞ্চাক অৱাং লৈকায়, ময়াং ইম্ফাল থানা কৈথেল, ময়াং ইম্ফাল থানা মমাঙ লৈকায়, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাংখৈ লৈকায় অনিলোংবী অমসুং ময়াং ইম্ফাল থানা মনিং খুনৌগী লম্বীশিংদা লাওখিবা মীয়ামগী খোল্লাওনা খুমন পুংগী লমদমদা নীলখি। মণিপুরদা এন আর সী চৎনহল্লু, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, মীতোপ মীয়াননা মপু শাবা য়ারোই, লৌ মপু য়োংনা তানবা য়ারোই, য়ূমদাংবনা কৈনাবা য়ারোই, চৎনরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন খুদক্তা লেপহল্লু, মণিপুরদগী অসাম রাইফলস চৎহনখো, কুকি মিলিটেন্টকী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙউ হায়বা কয়ানা খুমন পুংগী অতিয়াদা পুমনিল নিলখি। নুমিদাংনি থৱান থাগী পানখৎলকপা ১২নি পানবা থাজনা নোংমদোল অতিয়াদা মপূং ফানা লৈচিল নোংফাই থাংদনা ঙানবনে, পাক চাওরবা লম্পাক্কী অকোয়বগী উপালশিংনা চেক মোক লাওদনা মৈ চাক্লবা মণিপুরগী লানগীদমক খন্নবা নৈনবা তাগদৌবগী তূমিন্না লেপ্তুনা লৈরি। মহৌশা লাইরেম্বী ফাওবা শোক্লবা থম্মোয়না তেংথারক্লবা মতম অসিদা থৱান নোংজু ফাওবা লেপ্তুনা মিৎ কুপ্তুনা য়েংলি, না থাঙ্গৎতুনা তাগদৌবগী ঙাইরিবা মতমনি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তাবা মতমদা হৌনবা শেম শাবনি অদুবু শাংলবা লম্বী পানা-পানাদগী লাকপীরিবা-বী খুদিংমক্কী ওইবা খুমন পুংদগী মৈরা লৌবগী মথং মনাও ওইবনা মীওই লিশীং কয়ানা মথং মথং মৈরা লৌবদা খরা চোম্থনা হৌখি, নুমিদাং পুং ১০.৩০ ফাওবা চত্থখিবা থৌরমনি।

মজাতি মরমদম কন্দবা য়াদে হায়দুনা চোংথোরকপা লাল্লোই, থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মখোয় পূন্নমক্কী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা তিল্লিবা মীপূম খুদিংমক্লা শরুক য়াখি। মসিগা লোয়ননা পান মণিপুর য়ুঠ লিগকী ঈশৈ ওইনা থমখ্রবা মরৈবাক মজাতিগী নহা কয়াগী মফমদা পাউজেল পীরিবা “পারি ইমোম শামু পাঙ্গলবশা নপাম লমদম খাম্বী মৈহৌরে খাম্বী মৈকল্লহৌররো’ হায়বা ঈশৈ শক্তুনা তিল্লিবা মীয়াম পূন্নমক লেপখৎলগা শরুক য়াখি। মথংদা ঙসি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লান লৌ মপু য়োংনা তাল্লিবা, য়ূমদাংবনা কৈনাইরিবা, উপাল য়ান্থৎলগা পোপী থাগে, লমদম অসিগী নহা কয়াবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ইরোইহনগে লংথগে, মীতৈলোল থোক্তবা লমদম অসিগী মী নত্তবা ম্যান্মার মচা লিশীং লিশীং শৈদাংফম পীরগা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইনবা মীতোপ মীয়ান কৌশিন্দুনা মখোয়গী ওইবা কন্ত্রি/ষ্টেট নৎত্রগা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লিংগনি তেমশিংনরকপা খুদিংমক অমদি শেমজিন শাজিনবা পাউ- মীতৈনা মখোয়বু ওৎ নৈরে হায়না নেসনল মীদিয়াদা শন্দোকখি হায়বা ৱাফম কয়া তিল্লিবা পানা ফম্বে মীয়ামদা নিংথৌজা লানচানা শন্দোক্লা তাকখি।

শাংলবা চহী কয়াদগী মখোয়বু কনখিবা অমত্তা ওইবা মীৎয়েং মান্নবা চাকথুং, মান্নবা ফিথুং ফংনবা হোৎনখিবা কয়াদু কাউথোল্লগা মনুংদা চহী কয়া চংনা থরুম তৌদুনা নোংমদি হায়দুনা লৈরকপদু ঙসিদি মথি ফোংলকপনি। হুইনাও মচা চাল্লগা লৈতোন লেকই, কৈ মচা চাওনবা য়োক্লগা মপু চাই হায়বদু তাহন্দনবা ঐখোয় পূন্নমক নীংঙাইদনা লৈথোকপা মতম নৎত্রে, মীকপ থোকলো, ফম কোনবা মতম নত্তে, ফজবা য়ূমগী, মমল তাঙবা গাড়ীগী মহুত্তা নরমদম নমা লৈবাক মণিপুরনা শরুক লিশীং লিশীং হেল্লি হায়বসিনা মাঙ থাদুনা চঙশিনগদৌবা মতমনি। ঙসি ঙসিমক মৈতৈ কৌবা জাতিনা ত্রাইবেল ফুরুপ অমদা তাথি তাওইনবা লৈখিদ্রি, মতুংদসু লৈরোই। লৈফমসু থোক্তে, ঐখোয় পূন্নমক মীওইবনি। মীদি মীওইনা লৈমিন্নবা তাই, হিংমিন্নবা তাই। মীনা শা ওল্লক্লবদি শাদু ৱারক ৱাতেম্বা তঙাইফদে। নরমদম মণিপুর মৈহৌরে, মৈ চাক্লে খাম্বী মৈনা মৈৱাইরক্লিবা অসিবু য়েংবা ঙম্লিবরা। কলচরেল এক্টিভিষ্ট নিংথৌজা লানচাগী ভিদিও লোইরবা মতুংদা পানা ফম্বে হৌখি।

শ্রী য়ূম্নাম রানাপ্রতাপ স্পিকর, শ্রীথোকচোম রাজমুহোন দেপ্যুটি স্পিকর অমসুং শ্রী চোংথাম অশোককুমার দেপ্যুটি স্পিকর ওইনা ফম্ফম লাংদা ফম্লবা মতুংদা নুমিৎ অদুগী পানা ফম্বে হৌরমদাইদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা অমসুং তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈনবা পূন্নমক্লা লেপখৎলগা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা লৈখি।

ঙসিগী পানা ফম্বে অসিদা মাগী মাগী ওইবা ৱাখল্লোন ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা শ্রী চোংথাম গীৎচন্দ্রনা ঐখোয় পূন্নমক্লা অনী থোকপী মরি থোকপী থাদোক্লরগা পান্দম অমগী মখাদা পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা মাঙদা তারিবা লান অসি লাম্থেংমিন্নসি হায়বা পুকচেল খোয়জেল তিন্নদ্রবদি থবক খুদিংমক পাঙথোকপা ঙম্লোই হায়বা খুদম চাংদম কয়া পীদুনা পাউজেনখি। মথংদা শ্রী চোংথাম অশোককুমারনা থেংনরিবা লান অসি ঐখোয় পূন্নমক শরুক য়ামিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হন্দনবা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়বা ৱাফম থমখি। শ্রী থোকচোম রাজমুহোননা ঙসিগী অসিগুম্বা পানা ফম্বে অসিদা শরুক য়ারিবা-বী পূন্নমকপু পূক্লিং থৌগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকপীখি। অরোইবদা ঙসিগী পানা ফম্বেগী স্পিকর ওইরিবা য়ূম্নাম রানাপ্রতাপনা মীয়াম্না য়াবা, মীয়াম্না লৌরকপা ৱারেপ পাথোকত্রিবঁদা মাগী ওইবা ৱাখল খরা পানা ফম্বেগী তিল্লিবা মীয়ামদা থমখি মদুদি ঙসিদি থাংজিং চীংগী চীংদোল অমসুং লাইমতোন ষণ মরুম শাবা চীংদোলদগী হুল্লকপা নামীবা নুংশিৎনা পুরকপা লোক্তাক ইশাই মপালগী ঈপাক লান্না পুরকপা থৱান থাগী ১২নি পানবা থাজনা মেংলবা মঙাল পীরিবা ময়াং ইম্ফাল লমদমসে অহল্লুপ পানা ওইনা চহী চা কয়াগী পারি পুরিগী থৌদাং লৈবা লমদমনি, এঙলো মণিপুর লানদা শরুক য়াখিবা মপারি পোকখিবা লমদমনি, কুমজা ১৮৯১গী লানদা মজাতি নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনখিবা মতমদা মনীং হল্লক্তবা লমদমনি, কুমজা ১৯৩৯গী অনীশুবা নুপী লালদা মায়রোং য়াখিবী মীতৈ চনু পোকখিবী লমদমনি, মখোয়শিংদুগী চাদা নাওদানা করিগী নীংহন্নগনি। ঐখোয় পূন্নমক থবক অমা তৌবা মতমদা মাং তুং য়েংদুনা থবক তৌবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফমশিং মচা খায়না থমখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ অহুম লৌখি। হায়রিবা ৱারেপ অহুম অসি স্পিকর ওইরিবনা পাথোকপা লোয়রবা মতুংদা নিংথৌজা লানচানা মখা তাবা পানা ফম্বে পাঙথোক্লবা নম্বোল পানাদা ফিরাল শিন্নখি। মসিগী মথংদা স্পিকরনা ঙসিগী পানা ফম্বে লোইশিল্লে হায়না লাওথোকখি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মালেম ইমাগী শিওমনুংদা কংলা শা, কংলৈ শা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লাই লৈপাক, লাইগী লৈপাক, সনা লৈপাক শেম্নবা কংলৈপাক ইমানা খুতুম শীংদুনা খাংলি লাওরি, লাই নুপা নুপী অনীবু ইমাগী পিবুক নুংদা তাইবঙ মঙাল ফংদনা কংলা পুং ময়োল মক্তদা লৈরি। সঙাই শাদি ইমা শানি, শগোল শানা ইপা শানি, সঙাইসু শগোলসু শাফোঙখরে। অসুম্না শগোল সঙাই অনীনা য়ূম্বানমীন্নদুনা মীতম মরূ হুনখিবা মরূনি কংলা শা, কংলৈ শা। সঙাই শাদি মোইরাং শা নে, ইমা শানে। তাইবঙদা মোইরাং সলাই ইবোবীনা শাফোঙলবনি। অসুম্না সঙাই শগোল অনীনা কংলা শা, কংলৈ শাগী মীতম মরূ হুনখিবনি। পূন্নমক অতিয়া (গুরু) কুলু, (কোক মরূ) অমসুং মালেম ইমাগী তাইবঙ লৈশেমলোন, অনৌবা তাইবঙপান অমা লিচৎলোন অমা শেম্নবা খুন্থোক্লনবা থৌরাংনে। হে তোংবা য়ারোই এ, অসুম্না মালেম পুরিবা কংলা খোয়দৌদা কংলা শা, কংলৈ শা অনীনা তাইবঙ মঙাল ফংদনা অঙৌবা তৈদুনা তরংদা থল্লি। মালেমগী তাইবঙনা পোকপা শিবগী খুন্থোকলোন খঙদনা তরংদা লাইশিং খুরুমদুনা খাঙলি। কংলা শা, কংলৈ শা অনীনা তাইবঙ ফাওনা শাফোঙ লৈহুন তমদ্রিঙৈ পান্দা ইমাশিংনা খূৎতা মৈরা পায়দুনা লাওরিবা খোঙলিবা অসি ইংলোই, কংলা মৈ মুৎলোই, অদুনা হে লৈঙাক মপু পিবারেল নথৌ ইথৌ মশক খঙবগী মতম অদো মীৎ মাংদা লেপ্পরে মীৎ পাংলো য়াহৌরো মৈতৈ মীতৈ কনবনা মালেমদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা মীংচৎ ফংবগী লম্বী খূৎলিংহৌসি।

কংলৈ শা, কংলা শা, সনা মচু তৈরসি।

মচিনি অঙাংবা, অঙৌবনে, নুমিৎ, থা, ইপা ইমানে কংলা শা শগোল শানে শগোল অমগী হাপফম থোকপা মীৎ-মাই-হকচাং খা থোঙ পূন্নমক শুনা পানগদবনে, সঙাই শাসু অদু মঙাই। মদুতনা ইপু তরেৎ লাইনিং চেৎপশিং উবা ফংগদবনি কংলাদা, ইপু ইবেন তরেৎকী লাইনীং ফিদা শেন্নসি, য়ূম শঙলেন লিংলসি। মৈতৈ মীতৈ কল্লসি মালেম খঙনা খুন্থোক্লসি। হয়ুম শিদবা মপু।

**অদোমগী - অঙোম অমুবী**
**হান্নগী অঙোম নিংথৌ সনা কোনুং**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **“লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“খুদোল্লে”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“ৱাধরিং হাইটস”** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **“লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি”** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) **“অশিবা হুরানবা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মহেশ্বর থৌনাওজম্বু থাগৎচরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইবুংঙো মহেশ্বর থৌনাওজম নহাক্লা মৈতৈ প্রজাগীদমক্তা কৎথোকপগা লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা লৈবাক্কী তংদু লৈতাদ্রবা ফীভম অসিদা মণিপুরগী ৱাংমদা চৎতুনা মরু ওইবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফম্নাইবা কয়াবু উন্নদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা মরু ওইনা ঐখোয় মীতৈশিংবু লান্না উহল্লিবা অসিদগী চুমথোকচনবা অচৌবা থৌদাং লৌবীবগীদমক নহাকপু হন্না হন্না থাগৎচরি। তশেংনা হায়রবদা মহাক্লম্বা মীওই কয়া কয়া থোরল্লবদি লমদম অসিগী অশেংবা মশক তাকপদা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি।

**অদেমাগী - করমচান্দ মোইরাংথেম, খোংমন**
**খ্বাইরাকপম ইবোয়াইমা, নাওরেমথোং বজার, ইম্ফাল।**

## কুকি মীকপ থোক্লসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মে ৩দা কুকিশিংনা মৈতৈ মীয়ামদা লান্দারকখি। খুল্লক্তা নোংমৈ কাপশিনখি। য়ূম কয়া মৈ চাক্তুনা খুন্তাক লানশিহনখি। অফং অফংবা ফাবা, হাৎপা, রেপনচিংবা তৌবগী পাউনা অহিং চূপ্না শন্দোকখিদুনা মৈতৈশিংগী থম্মোয়দা মৈশা লাংবা হৌরকখি।

মে ৪দা নোংপোক সেকমাইগা তাইনবা কুকি খল অমগী মনাক্তা নহা খরনা কুকি নুপী অনী মশাদা ফি থোংদনা লম্বীদা পুবগী ভিদিও ক্লিপ অমা ভাইরেল ওইরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা লৈবাকসিগী মীয়াম্না অৱাবা ইকায়বা নুংঙাইতবা কয়া ফোঙদোক্লরকখি। থৌদোক্তুমক্তি মে ৩দা থোকখিবা থৌদোক্তুনা ওইহল্লকপনি। অদুবু মৈরা পায়বীশিংনা মতম চানা লাক্তুনা মরাইবক থীরবী নুপী অনীদুবু কনখিবনি। ভিক্টিমগী মায়কৈদগীসু নহাশিংদুনা মখোয়দা রেপনচিংবা চত্থখিবা লৈতে হয়না শেংদোকখিবা লৈখ্রবনি।

থৌদোকসি কুকিশিংগী মরক্তা থোক্লম্বা তারবদি মৈতৈ নুপীশিংদুগী মরাইবক করিদি ওইনি? হংনীংঙাই ওইরি। মরমদি কুকি খূৎলায় পায়বা খরনা মফুরুপকী চহী নৌরিবী অঙাং নুপী মচা অমা লম্বীদা পুরক্লগা অচৎ অওকশিংগী মমাঙদা মমিৎ মমাই খুমদুনা কাওবা থিনবা তৌরগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎত্রিবঁগে মমাঙদা ঐখোয়গী মৈরা পায়বীগুম কনা লাক্তনা কনবিখি? মসিনি ফুরুপ অনীগী খেন্নবা।

লান কনানা হৌই? কুকিনা হৌই। মীচম মীয়ামদা ওনশিন্দুনা হাৎপা তুপ্পসিবু মীওইবগী লিচৎলা? অসিগুম্বা য়েংহৈ উহৈদ্রবা থৌদোকশিংসিদদি কনাসু করিসু হায়দ্রগা মখা তারকপা থৌদোক অমদা অৱা নুংঙাইতবগী শৈথা শৈশক্লরকপা থোইদোক্লা ঐ লমসিগী প্রজা অমা ওইনা ৱাফমসিদালূম্না লৌজনীংদে। লান খাম্মু। অশাওবা পেন্দবগী মায়ওন লৈতবনি। লান লেপখিবা নুমিত্তা কনাসু করিসু তৌনরোই। ‘থিংঙেন্দদি তাইনদনা নাশিখোং ওইরিবা মীচম মীয়ামদা ওনশিল্লুরিবা কুকি ফুরুপকী অশোয়বা অরানবসিমদি মীওইবনা লৈরিমখৈ সনাগী কালিনা হক্তুনা লৈহৌরনি। কুকি মীকপ থোক্লসি।”

ৱাথোক ওইরবা ইচাশিংদুগী মপান্দগী অহল ওইরবা ঐখোয়না লাল্লকসিদা ঙাইহাক পোত্থাজবনি। চাক চখোম অমত্তসু চনীং তানা চাবা ফংজরিবনি। ফাজিনখিবা ইচাশিংদা মখল অমত্তগী চৈরাক পীবা য়ারোই। পীগে হায়রদি কুকিদা পীয়ু। ওইরিবা ফীভমসি তানবা মখোয়না চেবাউ পীখিবনি। মখোয়দা তাইনৌ। ইমা ইবেলগীসু য়ানীংদবা লৈ। পেন্নদবা থৌদোক অমা থোকপদা মীদুগী য়ূম মৈ থাবা, অমনা লাল্লগা ইমুং হুপ্না অৱাবা পীবা চুমদবা থৌদৌনি। মতুংদা অমুক তৌবীগনু। মীতৈগী ওইনসু কুকিগী ওইসনু য়ূম খুদিং লাইশঙনি। মন্দির, চর্চ খক্তনা লাইশঙ নত্তে।

**অদোমগী - গুরুময়ূম বিনামাধব শর্ম্মা**
**ইরোইশেম্বা**